# দিয়াৱরাগী গোলনা নেরোকাবু সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মায় পাকপগী মহাও ফঙহনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ হিরো আই লীগকী ১৩ শুবা সিজনগী মনুং চন্না ঙসি ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা য়ুম্বু নেরোকা এফ সি অমদি আইজোল এফ সিনা শান্নখিবা লীগ অসিগী অহানবা নোঠ ইষ্ট দরবিগী মেটচ অমদা য়ুম্বুগী ওসমানে দিয়াৱরাগী অমত্তা ঙাইরবা গোলনা ভিজিটর আইজোলবু ১–০ দা মায়থিবা পীদুনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মায় পাকপগী মহাও ফঙহন্দুনা পোইন্ট ৩ ফঙখ্রে।

য়ুম্বুগী হেদ কোচ রাইখাননা মমাঙগী মেটচতা শান্নখিবা ষ্টার্টিং এলবেন অদুদগী রোমতান সিংহ, শাইখোম রোনাল্ডো সিংহ অমদি খাঙম হোরামগী মহুৎতা মোইরাংথেম ধনঞ্জয়, খামিনথাং অমদি ঙাঙোম রোনাল্ডনা মহুৎ শীন্দুনা অকন্নবা লাইন অর্প শেমখি।

ঙসিগী মেটচ অসি শান্নবা হৌরকপগী মিনিট ১৩ চৎপদা য়ুম্বুগী চান্সো হোরামনা গোল মাঙজিল থাবা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফঙখি অদুবু মহাক্কী গোল এটেম অদু নীংথিনা ট্রাগেট চুমখিদবনা অরেন্বা তাখি।

মেটচকী মিনিট ২২ চৎপদা নেরোকাগী খাইমিনথাং হুন্দিমগী মিত্রং গুল্লবা মহাক্কী স্কিলনা আইজোলগী দিফেন্স অনী লান্থোক্তুনা খোঙজেল য়াঙনা পূশিন্দুনা কাউশিনবা বোল অদু নেটকী নাকলদা চৎখিবনা নীংবা কায়খি।

মসিগী মতুংদা নেরোকানা চথুরকপা এটেক অমদা আইজোলগী দিফেন্দর কাশাগানা থীংন্নবা হোৎনবদা হেন্দবোল তাবদগী য়াদ ১৮ লাপ্পা মফমদা নেরোকানা ফ্রি কিক অমা ফঙখি।

ফ্রি কিক অদু নেরোকাগী জোদিং লিয়াগী ওইথংবা মখোংনা আইজোলগী দিফেন্স ৱালবু লান্থোক্তুনা নীংথিনা কাওরকপ্পা পোষ্টতা পান্দুনা থক্তোরকপদা য়ুম্বুগী মালি মচা জর্সি নম্বর ৪ ওসমানে দিয়াৱরানা থক্তোরকখিবা বোল অদু থেংথবা তৌদনা আইজোলগী গোল কিপ্পর ললামপুয়াবু মায়থিবা পীদুনা মেটচকী গোল একাউন্ট হাঙদুনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মীওই লিশিং ১৭ হেন্না য়েংবা লাকখিবা য়ুম্বুগী ভাবোকশিংনা হরাওবগী খোঞ্জেলনা ষ্টেদিয়ম অসি নিনখি।

আইজোলগী মায়কৈদগীসু শোত্থরিবা গোল অদু হন্দোকপা য়াবগী তাঞ্জাশিং ফঙখি অদুবু নেরোকাগী গোল কিপ্পর মারবিন ফিলিপ্সনা মহাক্কী হৈথোই শীংথোইবা প্রাফোমেন্স উৎতুনা ভিজিটরনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু অরেন্বা তাহনখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনিট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনিটতা য়ুম্বুনা অনীশুবা গোল মাঙজিল থাবা য়াবগী তাঙল্লবা তাঞ্জা ফঙখিবা অদু চান্সো হোরামনা কাওশিনবদা আইজোলগী দিফেন্দর লালরামমুনমওরিয়ানা গোল লাইন্দগী ঙাথোক্তুনা কোন্নর তাহনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ভিজিটর আইজোল এফ সিনা য়ুম্বুবু লাকশিন্না শান্নরক্তুনা মেটচ অসি মায়োল অমদা পুরক্তুনা য়ুম্বুগী ষ্টেদিয়ম অসিদা তিনখিবা মীয়াম্বু চরাংন্নবা ফাওহনখি। নেরোকানা অনীশুবা হাল্ফ অসিদা মখোয়গী পোজিসনদা চাওনা অৱাৎপা লৈখিবনা মীয়ামগী লাঙতক্লবা অদু হেনগৎহনখি। অদুবু নেরোকানা আইজোলগী মায়কৈদা মখোয়না পীবা প্রেসরদি হনবা লৈখিদে।

মেটচকী মিনিট ৬৪ চৎপদা আইজোলনা চথুরকপা ফজরবা কাউন্টর এটেক্তা নীংথিজরবা প্রাফোমেন্স উৎতুনা খোঙথাং অহুমলক্তা গোল হন্দোকপা য়াবগী খুদোংচাবা ফঙখি অদুবু য়ুম্বুগী মোইরাংথেম ধনঞ্জয়না লুচিঙবা দিফেন্সকী লাইন অপনা ভিজিটরনা চথুরকখিবা এটেকশিং অদু ফক্লাংগগুম্না ঙাকথোকখি।

নেরোকানা মমাঙগী মেটচতা গোকুলম কেরেলাগী মখূৎতা মায়থিদুনা সিজন অসিদা অচৌবা দাকফম অমা তাখিবনা অনীশুবা হাল্ফতা য়ুম্বুনা মশক থোকপা প্রাফোমেন্স উৎপা ঙখিদ্রবসু অরোয়বা মীকুপ ফাওবা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা য়ুম্বু ওইবগী চপ চাবা খুদোংচাবা অদু লৌদুনা অহানবা হাল্ফতা ওসমানে দিয়াৱরানা চনখিবা গোলনা সিজন অসিগী পোইন্ট একাউন্ট হাঙদুনা ফুল পোইন্ট ফঙখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা নেরোকাগী জর্সি নম্বর ৩০ বৌপকার অমসুং জর্সি নম্বর ৪ ওসমানে দিয়াৱরাদা য়েলো কার্দ বুক তৌখি।

নেরোকাগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ১০ দা ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা রিয়েল কাস্মির এফ সিগা শান্নগনি।

নেরোকা মেটচ ২ শান্নখিবদা ১ মায়থিবা ১ মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩ ফঙল্লগা টেবলগী মরিশুবা মফমদা কাখৎপা ঙমখ্রে।

লীগ অসিগী টিলক মাইদান্দা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা গোকুলম কেরেলা এফ সিনা ইনিদয়ান এরোজবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# কে আই ৱাই সি অমদি এম পি এস সি ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েননা শীল্লগা বাবিনা হেল্থ কিয়র এন্দ হোসপিটালিটি প্রাইভেদ লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ১৮ দগী টিম ৯ না শরুক য়াদুনা হোম এন্দ এৱে বেসিসতা চথুরিবা থাঙজম বিরচন্দ্র– মাইপাকপী নীংশিং ২৪ শুবা ৱিন্নরস কপ ফোর মেন ২০১৯গী ফাইনেলদা কে আই ৱাই সি ক্ষেত্রিগাও অমদি এম পি এস সিগা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচকী অনীশুবা লেগ ওইনা এম পি টি সি গ্রাউন্দ পাংঙ্গেদা এম পি এস সি অমদি এল ৱাই জি ই এস ই দি এ শুগনুনা শান্নখিবা মেটচতা এম পি এস সিনা এল ৱাই জি ই দি এবু ২–০ দা মায়থিবা পীখি। টিম অনী অসিগী অহানবা লেগতা এল ৱাই জি ই এস ই দি এনা ১–০ দা মায়থিবা পীখি অদুবু এগ্রিগেটতা এম পি এস সিনা ২–১ দা মায় পাক্তুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ুম্বু এম পি এস সিনা ফাইনেল চঙগে হায়রবদি মায় পাক্তবা মেটচ অমা ওইবনা অঙনবা মিনিটতগী এল ৱাই জি ই এস ই দি এবু লাকশিন্না শান্নরকখিবনা মেটচকী মিনিট ১৩ চৎপদা য়ুম্বুগী জর্সি নম্বর ২৪ মাঙহেলেননা মেটচকী অহনবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মসিগী মতুংদা গোল শোত্থরিবা এল ৱাই জি ই এস ই দি এ শুগনুনা গোল হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখি অদুবু মায় পাকপা ঙমদনা লৈখি।

মেটচকী মিনিট ৪৫ চৎপদা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৪ প্রামেশ্বরনা এল ৱাই জি ই এস ই দি এগী দিফেন্সকী অহোবগী ত্মাঞ্জাদা টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোবা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা এল ৱাই জি ই এস ই দি এনা অনৌবা লাঙলোন শীজিন্নরক্তুনা অহানবা হাল্ফতা লৈখিবা মখোয়গী অশোয়বশিং অদু মেন্সিলক্তুনা শোত্থরিবা গোল ২ অদু হন্দোক্লবা হোৎন্দুনা শান্নখ্রবসু অৱাবা অমা ওইখি। মখোয়গী শান্নরোইশিংনা বোল পুশিন্নবা লাক্লবদা এম পি এস সিগী মায়কৈদগী গোল হন্দোকহন্দনবা হোৎন্দুনা শান্নখিবনা মেটচকী অপীবা মিনিট লোয়বা ফাওবদা এল ৱাই জি ই এস ই দি এ গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদবদগী মেটচ অসি মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিদা এম পি এস সিগী জর্সি নম্বর ৪ মাক থৌথান্দা মেটচ কন্দক তৌখিবা রেফরিনা ফাওল শান্নবগীদমক য়েলো কাদ বুক তৌখি।

শান্নখিবা মেটচ অসি মাইকেল দুল, থাও জোনি চোথে, তকাটেমসু অমদি এল গোকুলালনন্দনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি, এসিষ্টেন্ট রেফরি ৱান, এসিষ্টেন্ট রেফরি টু অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

# মীওই ৩ থা ৬ ইন্থোক্লগা থমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন (অম্ফা)না থোকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না চহী অসিগী ওক্টোবর ১৮ দা শান্নখিবা ১০ শুবা অম্ফা সেনিয়র ৱুমেন’স ফুটবোল লীগ ফোর বি এম সিংহ ট্রোফি ২০১৯ (প্রি–ক্বালিফাইয়িং রাউন্দ ফোর আই দব্লিউ এল)গী মেটচ অমদা ক্রিপ্সা অমদি এম পি এস সি অনীনা থেংনখিবা মেটচকী মতংদা ঙসি অম্ফাগী এক্সজুকেটিব কাউন্সিলগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা কূপ্না খৎন্নরবা মতুংদা এক্সজুকেটিব কাউন্সিলনা মীওই ৩ গী মথক্তা থা ৬ কী ওইনা সাইদ লাইন ওইনা থম্লে হায়রি।

মীওইশিং অদুদি– অম্ফাগী এক্সজুকেটিব কাউন্সিল মেম্বর এল চাউবা দেবী, মেটচ কম্মিস্নর কে এস ঐচ মোধুচন্দ্র সিংহ অমদি সেন্টর রেফরি এন ইবুংঙোনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, চাউবগী ওইনা মেটচ লোয়রবা মতুংদা ফজদবা ৱাহৈ শীজিন্নবা য়াওনা রেফরিদা ইনবা, মোধুচন্দ্র অমদি ইবুংঙোগী ওইনা মেটচ রিপোর্টশিং মতম চন্না সমির্ট তৌদবগীনি হায়রি।

# টেঙ্কোজাং ৱাই সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ১৪৩ বাট্টলিয়ান সি আর পি এফ অমসুং কোন্সাং ভিলেজ ওথোরিটি, কোন্সাং য়ুঠ ভিলেজ ওথোরিটি অমদি কোন্সাং কষ্টমরি কোর্টনা পূন্না শীন্দুনা থা অসিগী ৩ দগী টিম ১৮ না শরুক য়াদুনা শাংরুঙ কমন গ্রাউন্দ কোন্সাং টামেলোংদা অনীশুবা অহিনা নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা টেঙ্কোজাং ৱাই সিনা লুবাঙহোং এফ সিবু গোল ৬–১ দা অমসুং খোঙশাং এফ সিনা কে এস য়ুবু কিক ফোম পেনাল্টি মাক্তা গোল ৭–৬ তা মায়থিবা পীখ্রে।

UNACCO SCHOOL
Excellence in Education
Meitram, Imphal West District, Manipur-795140
• website: www.unaccoschool.in •Phone No.: 8414966342
Ref.No.:- 1-2(20)/USM/19/118 Date: 04/12/2019
POST VACANT
Applications are invited from innovative, collaborative, motivated and experienced candidates for the following posts :
• TGT:
1) Mathematics - 2 nos.
2) Physics - 1 no.
3) Chemistry - 1 no.
4) Hindi - 1 no.
5) Computer Science - 1 no.
Qualifications: Graduate/Post-Graduate in respective subject & B.Ed. Experience in Reputed English Medium School will be an added advantage.
(Salary: Rs 1,20,000 - 1,92,000 per annum)
• PRT
1) Manipuri - 1 no.
2) Fine Arts - 1 no.
3) Social Science - 1 no.
Qualifications: Graduate in respective subject & Teacher Training Degree/Diploma. Experience in Reputed English Medium School will be an added advantage.
(Salary: Rs 1,14,000 - 1,50,000 per annum)
• Pre-Primary Teachers/NTT - 2 nos.
Qualifications : Nursery Trained Teacher with Experience in Reputed English Medium School.
(Salary: Rs 1,08,000 - 1,44,000 per annum)
Apply latest by 14/12/2019 in prescribed form available in school office/website with supporting documents to HR Department, UNACCO School, Meitram or hrmeitram@unaccoschool.co.in
• The Management reserves the right to increase or decrease or cancel the number of posts without prior information.

# অল–অমিম শাবল লৈকাই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুম্ফম পুলৈপোকপীনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১২ না গ্রুপ–৪ থোক্না খায়দোক্তুনা পুলৈপোকপী প্লে গ্রাউন্দা চথুরিবা অনীশুবা কয়ামুদিন ট্রোফি ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এম সি এ শঙ্গাই য়ুম্ফম অমদি ৱান্টেদ বোইজ দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা অল–অমিম শাবল লৈকাই মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইন্া গ্রুপ–বিগী এম সি এ শঙ্গাই য়ুম্ফম অমদি পুলৈপোকপীনা শান্নখিবা মেটচতা গোল ১–১ দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

এম সি এ শঙ্গাই য়ুম্ফগী গোল অদু জর্সি নম্বর ১৭ অরিস খাননা মিনিট ২০ দা চনখি। অদুগা ৱান্টেদ বোইজ পুলৈপোকপীগী গোল অদুনা মেটচকী অহানবা গোল চনখ্রবা মতুংগী মিনিট ৬ কান্নরগা ২৬ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ রাহমননা চনখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ এম সি এ শঙ্গাই য়ুম্ফমগী জর্সি নম্বর ৭ অরিস খাননা তাখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দা গ্রুপ–সিগী য়ু ৱাই এফ সি নুঙফৌ অমদি অল– অমিম শাবল লৈকাইনা শান্নখিবা মেটচতা অল –অমিমনা য়ু ৱাই এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা অল–অমিমগী গোল অদু জর্সি নম্বর ৪ এম দি রাসিবনা মিনিট ৮ অমসুং জর্সি নম্বর ১৮ এম দি অরিফনা মিনিট ২২ চৎপদা চনখি। মায়থিরবা য়ু ৱাই এফ সি নুঙফৌগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১৭ এম দি নৱাসনা মিনিট ২৯ চৎপদা চনখি।

# নপ্সনা চেম্প খাগেম্পল্লিবু মায়থিবা পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৬ (এস এন এস)ঃ মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন ( এম ভি সি এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ৮ না গ্রুপ–২ থোক্না খায়দোক্তুনা চথুরিবা ১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯–২০গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নপ্সা খা–ইম্ফাল মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটচ ওইনা ঙসি গ্রুপ–বিগী চেম্প খাগেম্বল্লি অমদি নপ্সা খা–ইম্ফালনা শান্নখিবা মেটচতা নপ্সানা চেম্পবু ৱিকেট ২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা চেম্প খাগেম্পল্লিনা তোস ঙমদুনা বেট্টিং হানা পায়বদা ওভর ২৫.২ দা ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৯০ খক লৌখি। মসিগী পাউখুমদা নপ্সা খা–ইম্ফালনা ওভর ২২.৫ তা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ৯১ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ২ দা মায় পাকখি।

চেম্পকী বেট্টিংদা তেসবন্তনা বোল ৩৭ তা রন ২৯, বব্লুনা বোল ১০ দা রন ৯ অমসুং রাজিবনা বোল ১০ তা রন ৭ লৌখি। নপ্সাগী বোল্লিংদা দোরেননা ৱিকেট ৩, রতননা ৱিকেট ৩ অমদি মহেসনা ৱিকেট ২ লৌখি।

নপ্সাগী বেট্টিংদা সোমেন্দ্রনা বোল ২৪ দা রন ১৯, দোরেননা বোল ২৮ তা রন ১৬, অমসুং মহেসনা রন ১১ লৌখি। চেম্পকী বোল্লিংদা বব্লুনা ৱিকেট ৫, হোমেশ্বরনা ৱিকেট ২ অমদি বুলুনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচনা নপ্সাগী রন ১৬ অমদি ৱিকেট ৩ লৌখিবা দোরেননা তাখি।

১৭ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইনা হয়েং গ্রুপ–বিগী মেটচতা দি এস য়ু ক্বাকৈথেল অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা শান্নগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com